






*ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানদা শান্নরম্লবা মতুং স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াদা শান্নবগী যুরো মিলিয়ন ২৫ দা কুমজা ২০২২ ফাওবা সাইন তৌনখ্রবা ফ্রান্সকী মিডফিল্ডর জিওফ্রি কোন্দোগবিয়া*

*জর্মনিগী চেম্পিয়ন ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্কী কোচ ওইরম্লদগী ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এসএসসি নাপোলিগী চহী ৩ গী নৌনা কোচ ওইবগী সাইন তৌনখ্রবা কার্লো এন্সেলোট্টি*

## ম্যুনিক ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলা মরিশুবা পোজিসন তাহৌরে

*ম্যুনিক, মে ২৪ঃ*

জর্মনিনা যুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি ম্যুনিক্তা পাঙথোক্লিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপকী নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলা মরিশুবা পোজিসন তাহৌরে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অসিনা মিটর ১০গী এয়র রাইফলগী ফাইনেল রাউন্দ অদুগী টার্গেট ২৪ লৈখিবা অদুগী ১৯শুবা সোটতা শুপ্পগী পোইন্ট ৫.৯ ফংখিবদগী ফাইনেল রাউন্দ অদুদা শোত্থদুনা লৈখি।

মহাক্না মমাঙদা কাপখিবা সোটশিংদা পোইন্ট ১০.৫, ১০.৯ অমসুং ১০.৮ ফংদুনা য়াম্না ফজবা ফিভমদা লৈখিবনি। অপুর্ভিনা ২০শুবা সোট অদুদসু পোইন্ট ১০.৫ ফংবা ঙমখিবনি। অদুবু ১৯শুবা সোট অদুদা য়াম্না শোত্থনা লৈখিবদগী পোইন্ট ফুক্কৎপা ঙমদদুনা মরিশুবা তাহৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলা কুমজা ২০১৪ গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি। লোয়নন হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৫ দা জর্মনিনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং ফাইনেলদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুগী সুট্টর ১৪৬ না শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ৬৩০.৯ ফংদুনা মরিশুবা তাখি।

মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদু চাইনিজ তাইপৈগী সুট্টর য়িং সিন লিননা পুন্না পোইন্ট ২৫০.৩ ফংদুনা লৌখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা চাইনাগী সুট্টর ৱু মিংয়াংনা পুন্না পোইন্ট ২৪৯.৮ দা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা দেনমার্ককী সুট্টর রিক্কে মেং ইবসেননা পোইন্ট ২২৯.০ দা ফংখি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা সুট্টর অঞ্জুম মোদগিল অমসুং মেহুলি ঘোস মথংশিংনা ২৫শুবা অমদি ৮৬শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী রাইফল থ্রি পোজিসনগী ইলিমিনেসন ষ্টেজদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সঞ্জিভ রাজপুতনা পোইন্ট ১১৭৫, স্বাপনিল কুসালেনা পোইন্ট ১১৭২ অমসুং মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংগী গোল্ড মেডল ফংখিবা অখিল সিওরাননা পোইন্ট ১১৬১ ফংদুনা ফজবা ঙন্নি।

নুপাগী রাইফল থ্রি পোজিসন ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন ষ্টেজ হয়েং পাঙথোক্কনি। ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুগী মকোক থোংবা সুট্টর ৮ না ফাইনেল রাউন্দগীদমক লম্বা তৌনগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী নুপীগী সুট্টর হিনা সিধুনা সোট ৩০০ গী মনুংদা ২৯০ টার্গেট পান্দুনা ফজবা ফিভমদা লৈরি। মহাক ইভেন্ট অদুগী মকোক্তা লৈরিবা সুট্টর অদুদগী পোইন্ট ৬ শোত্থরগা লৈরি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী লাকপা সুট্টর ৯৪ না শরুক য়াখিবা মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অনু রাজ সিংহনা পোইন্ট ২৮৭ ফংলি। অদুগা অতোপ্পা সুট্টর রাহি সার্নোবাটনা পোইন্ট ২৮২ ফংদুনা লৈরি।

হয়েং মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী প্রেসিসন ষ্টেজ পাঙথোক্লবা মতুং ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগনি।



*মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ৪শুবা তাহৌরবী ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলা*

## ইষ্টানবুলনা কুমজা ২০২০ চেম্পিয়ন্স লীগ ফাইনেলগী যুম্বু ওইরগনি

*কিএভ, মে ২৪ঃ*

যুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা লৈবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট যুইএফএ চেম্পিয়ন্স লীগ ২০২০ গী ফাইনেল ইষ্টানবুলনা যুম্বু ওইরগনি।

ঙসি যুক্রেনগী কোনুং কিএভতা পাঙথোকখিবা যুইএফএগী পাওগী মীফম অমদা বোদি অসিগী প্রসিদেন্ট আলেকসান্দরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টর্কিগী য়াম্না মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা ইষ্টানবুলদা লৈবা অটাটর্ক ওলিম্পিক ষ্টেদিয়ম অসিগী য়াম্না নক্কনা হোটেল অমসুং এয়রপোর্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা লৈবা মরম্না কুমজা ২০২০ গী যুইএফএ চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী ফাইনেল শান্নবগীদমক য়াখিবনি।

ভাবক ৭৬,০০০ রোম য়েংবা য়াবা ষ্টেদিয়ম অসিদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০০৫ গী চেম্পিয়ন্স লীগ ফাইনেলদা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা এসি মিলানবু পেনাল্টিদা ৩-০ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

## হান্নগী চেম্পিয়ন চাইনানা যুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগা অবর কপকী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

*বেঙ্কোক, মে ২৪ঃ*

থাইলেন্দনা যুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি বেঙ্কোক্তা চত্থরিবা বেদমিন্টন মশান্নগী নুপীগী টিম ইভেন্ট অমা ওইরিবা অবর কপকী সেমি ফাইনেলদা হান্নগী চেম্পিয়ন চাইনা অমসুং থাইলেন্দ লম্বা তৌনরগনি।

অবর কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনানা দেনমার্কপু মেটচ ৩-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা যুম্বু লৈবাক থাইলেন্দনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াবু মেটচ ৩-২ দা থোইরমখি।

চাইনা অমসুং দেনমার্ককী ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহানবা মেটচ অদু নুপীগী সিঙ্গলসনা ওইখি। মদুদা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিচফেল্ডনা চাইনাগী চেন য়ুফৈবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা পুং অমা হেন্না শান্নরবা মতুং ২১-১৮, ১৩-২১, ২১-১২ দা থোইদুনা মেটচ ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

চাইনা অমসুং দেনমার্ককী টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা চাইনাগী গাও ফাংজিনা দেনমার্ককী লাইন হোজমার্ক জার্সফেল্টপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১১, ২১-১১ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা চাইনাগী পেয়র চেন কিংচেন অমসুং জিয়া য়িফানগী পেয়রনা দেনমার্ককী পেয়র মাইকেন ফ্রুরগার্দ অমসুং সারা থিগেসেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১০, ২১-১৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু চাইনা দেনমার্কপু মেটচ ২-১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অবর কপকী চাইনা অমসুং দেনমার্ককী ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচতা চাইনাগী শান্নরোই লি জুইরুইনা দেনমার্ককী নাটালিয়া কোচ রোধেবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৭, ২১-৯ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু মমাঙগী চেম্পিয়ন চাইনানা দেনমার্কপু মেটচ ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল টাই অমদা জপান অমসুং অমসুং সাউথ কোরিয়া লম্বা তৌনরগনি।

জপাননা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল টাইদা চাইনিজ তাইপৈবু মেটচ ৩-১ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা সাউথ কোরিয়ানা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল টাইদা কানাদাবু মেটচ ৩-১ দা থোইরম্বনি।

জপান অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই টাই ঝু য়িংনা জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৯, ২১-১৬ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা জপানগী পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোতাগী পেয়রনা চাইনিজ তাইপৈগী সু য়া চিং অমসুং ৱু টি জুংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৮, ২১-১৭ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু লৈবাক অনীমক মেটচ ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

জপান অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা চাইনিজ তাইপৈগী পাই যু পোবু য়াম্না কোম্না ২১-১১, ২১-১২ দা থোইদুনা জপাননা চাইনিজ তাইপৈবু মেটচ ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

টাই অদুগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা জপানগী পেয়র মিসাকী মাটসুটোমো অমসুং অয়াকা টাকাহসিনা চাইনিজ তাইপৈগী চেন সিয়াও হুৱান অমসুং যু লিং ফাংবু ২১-১৫, ২১-১১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু মেটচ ৩-১ দা চাইনিজ তাইপৈবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি।

সাউথ কোরিয়া অমসুং কানাদাগী ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস লম্বাদা কানাদাগী মিসেল লিনা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু ২১-১৪, ২১-১৫ দা থোইদুনা মেটচ ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা সাউথ কোরিয়াগী লি জাং মিনা কানাদাগী রাচেল হোন্দরিচপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৩, ১৯-২১, ২১-১৫ দা থোইদুনা মেটচ অমমম মান্নদুনা লৈখি।

ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহুমশুবা লম্বা ওইখিবা নুপীগী দবলসকী মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী বেক হা না অমসুং লি যু রিমনা কানাদাগী কেথরিন চোই অমসুং মাইকেলি টোংবু ২১-১০, ২১-৭ তা থোইদুনা মেটচ ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সে য়ং আননা কানাদাগী ব্রিটনি টামবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৩, ১৯-২১, ২১-১১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু সাউথ কোরিয়ানা কানাদাবু মেটচ ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা জপানগা লম্বা তৌনরগনি।



*অবর কপকী নুপীগী অরোইবা সিঙ্গলস মেটচ মায় পাকখিবী চাইনাগী লি জুরুই*

## ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি ঙকলি শোকপনা মরম ওইরগা সুরে সিসিসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি

*ন্যু দিল্লি, মে ২৪ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি চহী অসিগী জুন থাদা শান্নগদবা সুরে সিসিসিদা ঙকলি শোকপনা মরম ওইরগা শান্নবা য়াওবা ঙম্লোইদৌরি।

বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) না ঙসি থাদোরকপা ৱাফমদা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলি ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ৫১শুবা মেটচতা ফিল্ডিং তৌবদা মহাক্কী মঙকশম অদুদা অশোকপা য়াওখি। মদুনা মরম ওইরগা জুন থাদা শান্নগদবা সুরে সিসিসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

বিসিসিআইগী মেডিকেল টিম অমনা ভিরাট কোলিগী অশোকপা অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং মতম খরা পোত্থাগদবা মরম্না সুরে সিসিসিদা শান্নবগী অয়াবা অদু পীখিদবনি।

পনবা য়াবদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ভিরাট কোলিগী ঙকশম শোকপগী রিপোর্ট অমা ফংবদগী বিসিসিআইনা ফিভম অদু য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহনবা লৈখি।

রিপোর্ট অদুগী মখা তানা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিবু বিসিসিআইগী মেডিকেল টিমগী মখাদা কুপ্না য়েংশিন্দুনা রিহেবিলিটেসন তৌননবা বিসিসিআইনা খঙহনখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম অসিনা জুন থা লোইশিল্লকপদা আয়রলেন্দগা টি-২০ সেরিজ অমা শান্নগদৌরিবনি। মদুগী মতুং ওগষ্ট থা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অসিনা ইংলেন্দগা ৱান দে সেরিজ শান্নরবা মতুং টেষ্ট মেটচ সেরিজ শান্নগদৌরিবনি।

বিসিসিআইগী ৱাঙাংলোইনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মশাগী চহী ২৯ শুরবা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি আয়রলেন্দ অমসুং ইংলেন্দগী টুর অসিগী মাঙওইননা অশোকপা মশা অদু ফগৎলক্কনি হায়খি।

ভিরাট কোলি জুন ১৫ দগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা এনসিএদা ত্রেনিং চত্থবগা লোয়ননা মহাক্কী ফিটনেস টেষ্টসু পাঙথোক্কনি হায়নসু বিসিসিআইগী ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

সুরেগী দিরেক্তর ওফ ক্রিকেট এলেক ষ্টেৱার্টনা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা সুরেগী শান্নবা অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু বিসিসিআইগী মেডিকেল টিমগী ৱারেপ অসিবুদি মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি জুন থাদা সুরেগী শান্নবা লোয়ননা আয়রলেন্দ অমসুং ইংলেন্দগী টুর অসিনা মরম ওইরগা জুন ১৪গী ১৮ ফাওবা আফগানিষ্টানগা শান্নগদবা ৱান ওফ টেষ্ট মেটচতা শরুক য়াখিদবনি।



*ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি*

## ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিন লিওন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লিওন, মে ২৪ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা চত্থরিবা এটিপিগী টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লিওন ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিন সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিননা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ পেয়র চিলিগী জে পেরাল্টা অমসুং আর্জেন্টিনাগী ঐস জেবালোসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭-৫, ৬-৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিননা সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৫-৭, ৬-৪, ১০-৭ দা থোইরম্বা জেক রিপব্লিক্কী আর জেবাভি অমসুং নেদরলেন্দসকী এম মিদেলকুপকা লম্বা তৌনরগনি।

লিওন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং স্পেনগী গার্সিয়া লোপেজনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস অমসুং য়ুএসএগী জেক সোক্কা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী সরন অমসুং স্পেনগী গার্সিয়ানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বৃটেনগী কে স্কুপস্কি অমসুং এন স্কুপস্কিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৭(৭-৯), ৭-৬(১০-৮), ১০-৮ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস অমসুং য়ুএসএগী জেক সোক্কা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী পেয়র জি দুরান অমসুং এম মোল্টেনিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-২ দা থোইরম্বনি।

লিওন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সগী গাইল সাইমোন অমসুং বৃটেনগী সি নোরি লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী গাইল সাইমোননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কজাখষ্টানগী মিখাইল কুকুস্কিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪-৬, ৬-৪, ৭-৬(৭-৫) দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী শান্নরোই গাইল সাইমোননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী জোন ইসনরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৬(৭-১), ৬-৪ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

লিওন ওপন টেন্নিস ওপন অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সর্ভিয়াগী দি লাজোভিসনা য়ুএসএগী টি ফ্রিটজবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

লাজোভিসনা সেমি ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং স্পেনগী গার্সিয়া লোপেজ অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগদৌরি।





*লিওন ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা (ওই) অমসুং ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিন*

## স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব বার্সেলোনাগী কেপ্টেন ওইরম্বা এন্দ্রিজ ইনিএষ্টা জপানগী ক্লব ভিসেল কোবেগা সাইন তৌনখ্রে

*লিওন, মে ২৪ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাদা মতম কুইনা শান্নদুনা কেপ্টেন ওইরম্লবা এন্দ্রিজ ইনিএষ্টা জপানগী ফুটবোল ক্লব ভিসেল কোবেগা সাইন তৌনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা স্পেন মচা এন্দ্রিজ ইনিএষ্টা কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলদা নেদরলেন্দসপু মায়থিবা পীরগা টাইটল লৌখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোইনি।

এন্দ্রিজ ইনিএষ্টানা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা শান্নদুনা মরুওইবা টাইটল ৩২ লৌরমখি। মহাক্না বার্সেলোনাদা লৈরিঙৈদা মেটচ ৬৭৪ শান্নরমখি। এন্দ্রিজ ইনিএষ্টা বার্সেলোনাদা শান্নরিঙৈ মতমদা লা লীগাগী টাইটল অহুম্লক থংন-থংননা লৌহনবা ঙমখি। লোয়ননা চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল অনীরক লৌহনবা ঙমখি।

এন্দ্রিজ ইনিএষ্টানা নৌনা সাইন তৌনখ্রবা জপানগী ফুটবোল ক্লব ভিসেল কোবে জপানগী লীগ জে-লীগতা তরুকশুবা পোজিসন তারি। ক্লব অসি মমাঙগী সিজনদা ৯শুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌবনি।

